"থম্মোয়দি য়ৌদনা ৱাখলদা খক্তমক তম্বীবা মহৈ অদুদি মহৈ তম্বীবা হায়বদু নত্তে"
-- Aristotle

# শৈরেং

## নশক য়েংই ৱাত্তবী
— নাওরেম মঙ্গি

নশক য়েংই ৱাত্তবী
নতৌ য়েংই চঙখোনবী
পেন্দবা করি লৈদুনা
তাইবঙগী য়ূম্বান পূন্সিবু
থাদোক্লগে হায়না খল্লিবা।
পলেম-পন্থৌগী ৱাঙাঙদা
নুজাগী থম্মোয় কায়বরা
খোইমু ওইবগী শাজৎতা
পুকচেল লেপ্তুবা কনাদা
পাইমা পূক্লিং শোকপরা।
নত্রগা নঙবু শকহেনবী
কমলগী মাধবী লৈরাংগুম
নীংজবা কনাগী ৱাখলদা
শীংনবা কয়া লৈদুনা
কখোল্লগে খল্লব্রা পূন্সিদো।

## চরোই পাইরক্লনি-নতু ফোইররনি
— এল বীমোলচান্দ

ইশিৎপা শা! পন নীংখাইরে মেল্লু
ঙা ফানি নীংলগা ইশিৎপদি হৈতবা
মালেম 'মাঙদা ইকায়জদ্রা!
অপঙ লৌশিং শলাক শারে
মনানা শাবা হৈমাং'দু ঙায়রে
অরেঙ-অরেঙ পুখরে খঙমন্নসু খঙমন্দেদা।
ইপা-ইপুশিংনা থোল্লম্বা য়ূম্ফমনি
ফিজি-ফিনা নেৎপশিং মোংফম ওইরনি
নকোল নত্তে খঙঙু মীরমগী ক্বাক
চরোই পাইরক্লে- নতু ফোইররনি;
য়ূম তাংবদি কৈ-নাইফদে
য়োংসু নত্ত-লৌপু তানফদে।
মীনম্বা অমত্তংনা মশা ফল্লকখি
ওইদবা চান্মা-চান্মনা অওইবা শারকই
ঙসিনা সন্ত্রেম্বী মমাগুম তেংথারি
ইমাদি খ্বাং য়ৌরে-থবাক য়ৌশিল্লক্লে।
হৌজিক্লা লেক থুমখ্রে- নৎত্রা?
করিগী তক্সি শোল্লি "শোয়খ্রে-লানখ্রে"।
শোয়দুনতা-লান্দুনতা লৈরবা লমদমনি
মীনম্বা নত্তনা অচুম্বদি ঙম্না চিকমাঙনখ্রে
লমগী ষণনা মচী হেন্না শাংবরা
মমা নুংশিবা খঙদ্রে-মচাই মশক য়েংখিদ্রে।
হায়রিমক্তদা হয়া-হে - করম্লো
লান লেপত্রিবঁে- মেলা য়েংলিবা;
নুংশিদা ঈ শেঙদ্রবা অঙম্বশা
অদুঙৈদি শান্তিদাস অমত্তগী শরৈনি
ঙসিনা শান্তিদাস হুম্ফুগী...
ইরমদমসে উফুল তাহল্লো-পেল্লো
হুরানবদা হুরানবা ফাহন্নবা ৱানোল্লিদাই
নকোক্তা নাপী পকত্রা ময়েংখো।

## পূন্সি পন্থুং
— অঙোম ইবোমচা

তাইবঙ মালেম ফম্বাকথক্তা
লৈরিবা মিনু তাইবঙ মীওইপোক
পোল্লকই পলেম মাগী পিবুক্লংদগী
থাবুম তরা নাউপুরল্লগা।
অঙাং নৱা মিংথোন্না
মমাগী খোল্লাংতবু থক্তুনা
হঙা-হঙা খোন্থোক্লা
তাইবঙ মীরোল ওইদুনা
নৱা মপূং ফারকই।
লৈকায় পনলান ঙমদুনা
শান্নরকই হরাও-তয়াম নুংঙাইনা
অৱাবা খঙদা শান্নবনা মথৌ ওই
পলেম পন্থৌ অনীগী মশাইগোন্দা।
নৱা শারেপ ফারক্লে
অকি-অখঙ লৈরক্লে
কনাবুসু কিরুদ্রে
ময়াগী লাংদা থুদুনা
হরি ভক্তি খঙলুদ্রে।
অহল ওইরক্লে মচা মশুগী
নুংশিবা লাংদা থুরক্লে
পাঙ্গল ময়েং তারক্লে
অপাম নুংশি কাউরক্লে
হেদো নাহে চল্লক্লে
তৌরাংথক্তা য়াহিপ্লে।
খান্বী মৈশা লাংলক্লে
ওন্ন-থোইনা খাঙলক্লে
অরোইবা মতম লাক্লে
লোইনা হুন্দোক্লম্লে
মোংফমদা য়াহিপ্লে।
ওইররে পন্থুংদি মোংফমদা।

## শীন্থরিবসে
— রাজকুমারী মীনা

পূন্সিগী মান্নদবা লীচিংনা
করম্না পুমিন্নগনি পোৎলূমশিং
তীনশিন্নবা য়াদ্রবা পূন্সিগী ঈচেলদা
ঈপাক য়ৌননবা তাওথনরি লেপ্তুনা।
ওৎপীরি থম্মোয়দা তত্তনা
নৈহৎপীরি মীনা মীবু
ঙাঙনরি শক্লরি ওইদবা
লৌনম নমথাক কয়া কয়া
মশা-মশাগী ওইজ-ওইথক থীদুনা
পল্লেপফম লৈতবা ৱাখল কয়াদা
ৱাহল্লি তাইবঙদা ঙসিসু।
পুবা ঙমদে য়েংবা ঙমদে
নঙগী নীংথিরবা মায়থোঙদা
শীন্থরিবা পিরাংগী পাউখুম
তত্তনা হংলি করি নুমিৎ থাদনো
ঐখোয়না ঐখোয়গী মফমদুদা চৎকদবা

মখোয়সু মপূং মরৈ ফারক্লে
ময়ূম মকৈ লেপ্পবগী মতম ওইরক্লে
লৈজরিবনি মখোয়গীসু তুংগী মঙলান
করি তৌগদবনো তত্তনা হংখি
লেপ্তুনা শিন্থরি পিরাং নুমিৎ খুদিং।

## লাইসে তূমদেকো
— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লাইসে তূমদেকো তশেংনমক
লাইদা তূম্নবগী মতম লৈতে
অমুক্তা খন্দুনা য়েংউনে,
লৈতা-লায়রা, অৱা-অনা
পেন্দ্রবা জীব ময়াম অসিনা
ঐগীদি অদু ৱাৎলি, অদু লৈতে।
মপু ইবুংঙো খুরুমজরি
অমগী মৱা-মপাউ তারিঙৈ
অমগী অনৌবা অৱাবা
মপাউ অমা অমুক মীকুপ
অমা কাংদবা মখৈ,
শ্বর হোনবা ফাওবা শঙদে।
অমা লোইদ্রিঙৈদা অমগী
ৱাকৎ অমা অমুক,
খুদিংমক তাদুনা লৈরিঙৈ
অমগী মথংদা অমা অমুক
ময়াম অসিগী মেন্থোক
মেনশিন হোৎনবদা লাইসে
ঙাইহাক্তা শঙবা জাৎ নত্তে,
লাইসে তূমদেকো অশেংবমক
তূম্নবা মতম ফংদে।

## চেবাংগী কৈ
— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

কৈ হনুবদো
চেবাং'থক্তা তোংই
কৈ'য়াম্না ঙাইরি
মাগী য়াথং।
চেবাংগী কৈসি
নিংথৌনি
লৈবাক ঙাক্লিবা।
চেবাংগী কৈবু কিনৈ
লৈবাক মীয়াম্না।
চেবাংগী কৈসি
ময়া থৌই
পূন্নমক শুপই
মাগী ময়াদা।
চেবাংনা অসুম-অসুম মন্থরক
কৈ হনুবগী ময়াসু
তপ্না-তপ্না পীকথরকই।

## শঙলিংবগী শঙ্গায়দৈ
— খাইদেম বোরসিংহ

মনোহর
মাগী গাড়ী খোঙয়াংবী মচা
ইনবসু কয়া মঙম শান্দা
ৱানা হল্লক্লি হুমাংনা জি জি
নীংথম থাসিদা হোবে হোবে।
মপানা মাঙ্গোলদৈ খোঞ্জেল কল্লপ
চৎলুরনু হায়দ্রো লৈবাক মান্নখ্রে
নুংশিৎসু য়াওদ্রে ৱাররিনিদো
বন্দনি বন্দনি ঙরাংদৈ হায়নরে
বন্দ মনুংদা চৎহৈ চাহৈদে।
লৈঙাক্কা বন্দগা য়ান্নদে কৈসু
কাদ্রদি ওফিস দন্দি পান্নি
ছুটিসু য়ারোই তোলোপ পীরোই
লৈতাহন্দ্রে পূক্লিং য়ূমদা লৈবা
অদুননি বাবা থৌনা ফরুবা।
লাইবক ফৎত্রদি থৱায়ফাও মাঙনি
অৱাং খুন্দোন্দদি নুঙবু থানৈ
মৈশু থানৈ নোংমৈসু কাপ্লে
শিজরো মতানি লৈবাক মপু-ই
ওর্দর ওর্দর তূমিন লৈতবা।

## হঞ্জিন্দবা য়াদবনি হঞ্জিনখিনি-২
— হোদাম মামচা (জ্ঞানেশ্বর)

চত্তবদি য়াদবা নত্তবনা
চৎলি তমগী মীওইশিং
এরোপ্লেনগী মপান তাংদুনা
এরোপ্লেন্না চৎলিবা মীয়ামসে
মরল লৈবা খরনা
নুংঙাইনা চৎনীংবগী চৎপনি
থুনা য়ৌননবা চৎপনি ।
মরল লৈজদবা কয়াদি
তঙাই ফদবগী চৎপনি,
উপায় লৈতবগী পান্বৈনি
অৱা পোৎলুম্না নল্লিবনি
হৌজিক্তি মান্নখ্রে অনীমক
অরৈবা লৈতবা খায়খিদ্রে
এরোপ্লেন্না পান্বৈ ওইরক্লে ।
মোরেদা খোঙফম লৈরক্তবা
জিরিবামদা খোঙফম শোয়খ্রবা
করিনা পান্বৈ ওইগনি
ডিমাপুরসু শম্নবা ঙমলক্ত
জিরিবামসু য়ৌবা য়ারক্ত
মতাং মতমগী ফিভম্না
মপান লমগা শম্নরিবা
এরোপ্লেন্না পাইবা লেপখ্রবা
করি তৌগদবা লমদমসে
নুংদি নুংশিখ্রেদা লমদমসে
হনিঞ্জন্দবা য়াদবনি হঞ্জিনখিনি
ঈংনা তপ্না পাল্লম্বা
পূন্না নুংঙাইনা হিংলম্বা
তোমথিন ঙাল্লম্বা লমদমসে।

# অরেপ্পা মরূপ !



মতম মতমগী ৱাখল
## মাখোনমনি মোংসাবা

মৈতৈলোলগী ফজবসি ইতোপ তোপ্পী। 'মরূপ' হায়বসি 'ইতাও' হায়বনি। খর লিবদা 'পাথৌ' হায়নৈ। য়েক সল্লাইগী মতুংইন্না মাগী মাগী মিঙ্গৌ কৌনবসু লৈ। 'লেপ্পা নৎত্রগা অরেপ্পা' হায়বসি ঐখোয়গী ওইনা অমুক তোঙান-তোঙানবা ৱাহন্দা শীজিন্নরি। মখলদি য়াম্না লৈ অদুবু খুদম খরদং লৌখৎলবদা-'লেপ্পা' হায়বসি ফমলম্বদগী লেপ্পা, হৌগৎপদসু হায়নৈ। অতোপ্পা লেপ্পা অমনা, থবক অমা পাংথোকলম্বদগী তোকখিবা, চেন্থরম্বা ইচেলদগী লেপখিবসি লেপ্পনি। মতাং অসিদা থমজনিংলিবা হায়জনীংলিবদি-ঐগীদমক লেঙদনা লৈবিরগদবা মহাক অদু 'অরেপ্পা মরূপ' নি হায়না থমজরি।



মতম অমদি ঐখোয়গী লমদম অসিগী খুনশিং,লৈকাই অমমমগী ৱারী তাবসি য়াম্না নুংশি। লৈকাই লৈকাইগী ৱারী লৈনরম্মী। য়ূমলোন-কৈরোন্নবা য়াম্না নুংশিনৈ। য়েন্সাং লান্নরম্মী। য়ূমলোন্নবা মশেন্দি শম্বন ফাওদোক-ফাওজিন তৌনরম্মী। ইঙ্খোল মতোন্দা ফাওদোক ফাওজিন তোয়না চৎনবগী খোঙ লম্বী ফাওবা লৈনরম্মী। লৈকাই অমগী য়ুমশিং, অমদগী অমদা ফাওদোক-ফাওজিন তৌদুনা আ-য়ৌনা চৎনবা য়ারম্মী। ষন চঙদনবা কোন্থোং পান্নে। ষন চঙলক্কনি কোন্থোং থিংজিল্লম্মু অহন-লমনশিংনা হায়নরকই। ঙসিগী য়ূমশিংদি মচিন-মনাও ফাওবা তোঙান হেক চানখিবদগী মীতোপ অমমমগুম্না লৈনরি। জেল অমগুম্না চেকপল ৱাংনা, উদনবা খানরি । কৌনবদা তানদে । কোন্থোংগী মশকশিং,শজিৱা জেলগুম্না অথাবা য়োৎনা পাল্লি। য়ূম অয়াম্বগী কোন্থোংশিং চেৎনা চেৎনা লোনশিন্নে। মনুং মপাল উবা ফংনদে। কনাগুম্বা কোন্থোং খরদি 'বিৱের ওফ দোগ' হায়দুনা হুই মী চিক্কনবা লৈ হায়বা খঙনবা ইরগা থম্বসু য়াওনরি।

'মরুপ' হায়বা ৱাহৈ অসিগী খোন্থোক অসিগা 'ইতাও' হায়বা ৱাহৈ অসিগী খোন্থোক্কা,খোন্থোক অনী অসি হায়দোকলকপদা নুংশিবা ফাওবসি 'ইতাও' হায়বসিনা খর হেল্লি। 'পাথৌ' হায়বসিনা মরুপ ওইরগসু অকল-অথৌগী ৱাঙাঙ খর ওই। 'ইতাও' হায়বসি কৌনখ্রগদি নুংশিনবদা আ-য়ৌরে। নুংশিনবগী খম থেংবা ৱাহৈদা, ইতাও হায়বসিগা লোয়ননা চাক পুখম অমত্তদা চামিন্নরে হায়বসিমা হাপচিল্লগদি অমুক্কা হেন্না লুনা তিন্নবা, চান্নবা, নুংশিনবা, নকশিন্নবগী মতৌ উবা ফংই। মরূপ অমনা মরূপকীদমক কখোকপা,মরুপকীদমক থৱায় ফাওবা থাদোকপা ঙম্বগী ৱারী কয়া লৈখি। মরুপকীদমক্কি হায়দুনা হোৎনজরুবা কয়া লান্না লৌখিবদগী নুংশিনরম্বা মরূপ কায়নবগী ৱারীসু লৈরি। ডা.লমাবম কমলনা মহাক্কী ৱারী মপূমগী লাইরিক 'মাধবী'দা মরুপশিং-বীরেন,ধিরেন অমদি শশিগী লমচৎ য়েক্তুনা উৎলি। মীয়াম্না পাদুনা খঙনরি। হৌজিক্কী মতম অসিদি, অশেঙবা,অরেপ্পা মরূপকী মফম লৈনরিব্রা থিবদা খর ৱানা থোকই।

মীগী মরোলদসু "ভাই, বন্ধু" হায়বসি মরূপ হায়বনি । মিং কৌনদনা ভাই, বন্ধু কৌনরগদি নকশিন্নরবনি লৌনরকই। ভাই হায়বসি লমদমসিদা হৌজিকসু য়াম্না কৌনবা তারি। নুপাদগী হেন্দোক্তুনা নুপীমচা লৈশাবী মশেনগী মরক্তা ফাওবা ভাই কৌনখৎলি। অচুম-অরান য়েংনদে। ফেসন চৎনবী ওইনরি। নুপীনা ভাই কৌবসিমদি য়েমৌনৈ,থক-খা ওন্নবনি। নুপা-নুপীদা কৌগদবা মিঙ্গৌ খঙনদবা, চৎনদবা ৱাহৈনি। অমরোমদা ইমুং-মনুংগী অহল-লমন্না তাকপী-তম্বীদবা মচা মশুনা হায়গদবনি। নুপা মশেনসু কৌনবদা,হায়নবদা ভাই নত্রগা বন্ধু হায়বসি তাবদা, খর কন্থা-করিংনবগুম ঐখোয়দা থোকই। খুহায় খুহায়, ৱাহৈগী অরূম-অয়াং হায়বগী মওংদি লৈ। 'বন্ধু' হায়বসি 'মরুপ' হায়বা ওইরগসু,খুহায় খুহায় খোন্থোক্কী, অরূম-অয়াংগী মতুংইন্না নুংশিনা হায়বা, উশিৎতনা হায়বা, করেম্মনা হায়বা ওইনা তাবসু লৈ । হন্দক বন্ধুগী মতাংদা করিনো করিনো ঙাঙনখিবগুম্নবা তাখি। বঙ্গালিশিংগী ওইনদি বন্ধুসি লেম্নবা মিঙ্গৌনি । কৌরকপগী খোন্থাকসি য়াম্না নুংশি । অথাপ্পদা,অপাকপা তুরেল মথক্তা হিনাও অমগী মথক্তা নুমিৎনা তরং তরং ঙান্থোকলকপদা ভটিয়ালিগী খোন্থোক শৈদাদা, বন্ধুরে বন্ধু হায়নগা শকলকপদি নুংশিখ্রবা খোন্থোক্নি। রবিন্দ্রনাথ টেগরগী দাগঘর,কবুলিৱালা,পোষ্টমাষ্টর নীংশিংলকই। বরাক তুরেল লৈতবা মণিপুরদা বন্ধুগী মফম লৈখিদে ।

লমদমসিদা ভাই, বন্ধুগী ৱারীমচা মরক মরক্তা থোকই। সোরোকখাইবম ললীৎকী ড্রামা 'অরেপ্পা মরূপ' হায়বা অমা ঙল্লিঙৈগী মতমদা মণিপুর দ্রামাটিক ইয়ুনিয়নগী হোলদা য়াম্না শান্নখিবগী পাউ লৈরি। মীয়াম্না শীংথানখিবা দ্রামানি। অশেঙবা মরূপকী ৱারীনি। হৌজিক্তি অশেঙবা মরূপ থিবা ফংগদবা মান্দ্রে ।

জি সি তোংব্রানা মহাক্কী 'কলপ্না স্বয়ম্বর' হায়বা ৱারীমচা নত্রগা ৱারেং অমদা কোদ তৌদুনা শীজিন্নবা - " ফিৱাল মমায় চূন্নিঙৈ মরূপ ৱাত্তে মীরমলেন্দা " হায়বসি শীজিন্নরি। মীওইবসি মশাগীতা য়েংবা থৱায় পানবশিংগী মরক্তা য়াম্না শাথিবা মখল অমনি। 'ঐনা তৌরম্বনি' 'ঐ 'হায়বা ৱাহৈসি হায়বা য়াম্না পাম্বা, ঐখোয় হায়দুনা মীয়ামবু খোনজিনবা পামদবা, ঐনা তৌবনি হায়বসি হায়নীংবা মীগী মশীংসু লমদমসিদা য়াম্না লৈবগুম্না তৌই। সোফোক্লীসকী অন্টিগোনীদা, অন্টিগোনীনা মবুংগী অশিবা মশা হৌনবী মতুংইন্না ফুমজিল্লুবদা , ক্রিয়োন্না ঐনা তৌবা য়াদে হায়বা পোৎতা অশিবগী থৌরম পাংথোক্লিবা কনাননো হংবদা অন্টিগোনীনা থৌনা লৈনা খুমখি-ঐনা তৌবনি। অচুম্বগীদমক মহাক ক্রিয়োনগী চৈরাক কিদনা খুমখিবনি। অন্টিগোনীনা খুমবদি চুম্মী। অচুম্বদা হায়বনি।

ঐখোয়গী লমদমসিদা, ঐনা তৌবনি ঐননি হায়না খূন্নিবসিগদি কদায়দনো অমা খেন্নে। ঐনা ফরিঙৈ,ঐনা তৌবা ঙল্লিবমখৈ ঐগী মী ওইবা, ঐগী ৱা তবিনবা লৈবা, ইনাক্তা মীশিংনা তোয়না লাকপদা ঐসি য়াম্না মতীক লৈবা মী ওইরবনি খঞ্জখিবনি। ঐনা মরায় চায়থরকপা মতমদদি ইনাক্তা লৈরম্বা মীওইশিং তপ্না তপ্না লাপথোক্লখিনি হায়বসি ঐনা তৌবনি হায়বসি হায়গনবশিংদা থোক্কল্লি । ৱাহৈ অসিবু তোংব্রানা," ফিৱাল মমায় চূন্নিঙৈ মরূপ ৱাত্তে মীরমলেন্দা " হায়না নীংথিজনা শীজিন্নরম্মী। 'কলপ্না স্বয়ম্বর' দা উৎলিবা,উরিবসি,ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগদি য়াম্নবু চানরি। চুননা থোক্লি। জি সি তোংব্রা হৌজিক হিংহন্নীংঙি। করিগুম্বা ঙসিফাওবা হিংলম্বা থেক্লগদি ফজবা ৱাহৈ, অচুম্বা য়াম্না হায়দুনা মীয়ামবু মাগী থৌরবা ৱাহৈনা অরানবা চুমথোকপদা মতেং ওইগনি খল্লি ।

মণিপুরগী রাজনিতি তৌবীবশিংনা হায়বা ৱাহৈ অমা থেংনখি মদুদি 'রাজনিতি তৌবদা মরূপ' হায়বা অমা লৈতে। মসিদা ঐনা খঞ্জখি ফজখ্রবা ৱাহৈ 'মরূপ' হায়বসি য়েক্লবা ওইনা লৌরকখিবসি করিদগীনো ? 'রাজনিতি তৌবশিংনা অমগা অমগা পুকচেল খোইজেল তিন্নবা নুংশিননা লৈঙাকমীন্নরগদি লৈবাকসি চাউখৎকনি। চহী মঙা মঙাগী লৈঙাক্কি হায়বসি ঐখোয়না খঙনরি। অমনা অমুক লৈঙাকপা অমনা অমুক মহুৎ শিনবনি। মমাঙগী লৈঙাক্লা হোৎনরম্বা লোইহৌদবা, ৱাৎহৌবা তুংদা লাকপনা অমুক মখা শমথবনি হায়বসি ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা কাওথোক্লবগুম তৌরি। ঐহাক রাজনিতিগী মরমদা করিসু খঙজবা নৎতে অদুবু ঙাঙনরিবা চৎনরিবা, ওইরিবা ময়াম অসিনা মণিপুর হায়বা লৈপাক অসিবু ঙাক্লিবনি, মীয়ামগী অৱাবা কোক্লবা য়াইফনবা লৈঙাক্লিবনি হায়রগদি খঙদবা মীচমসু ৱা হায়নীংবা পোকলকপসিদি হৌনশানি।

ঐনা থমজনিংবদি 'মরূপ' হায়বসি থাদোক্লবা য়ারোই। থৱায় পানবশিংগী মরক্তা অথোয়বদি তাইবং মীওইবনি। ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইবনা করিগী মরূপ্পু য়েক্লবা ওইনা লৌনরকপনো ? মণিপুরগী লৈঙাকপশিংগী মরক্তসু মরূপ হায়বসি কায়হন্নীংদে । ঙল্লিঙৈগী থক্তা পানখিবা নিংথৌশিংগী মরক্তা নিংথৌদি অমত্তনি। নিংথৌনা লৈঙাকপগী মপু ওইজরবসু নিংথৌ পোংবা তারা য়াওনা লৈঙাকলকখি। নিংথৌনা ইকায়-খূম্নবা, মরূপ-মপাংগুম্না থৌগল্লোন ঙাক্লা নিংথৌ পোংবা তারা অমদি অঙম-অথৌ মাইচৌ, ফম্নাইবশিংগা ৱা তান্নরগা লৈঙাকলকখি। নিংথৌনা মতীক ময়াই লৈজরসু মখা থারিবা ফম্নাইবা লৈঙাকপশিংদা 'ইপু' হায়না নুংশিনা কৌজরিবা মহাক্কী ৱাবু লৌজরিবসি লোয়নবা মরূপ অমগী থাজবা অদুদনি। লৈপাক নিংথৌগী মরূপ্তি ফম্নাইবশিংনি, মাইচৌশিংনি , লৈপাক মীয়াম্নি । অসিগুম্বা কয়া মাঙলমচত্তগী লোয়নরকখিবা অদুনা শাংলবা চহী কয়া লৈপাক মরা-তপ্না ঈংনা পাল্লকখিবা লমদমসিগী পুৱারীগী ৱারী কয়া ঐখোয়না থেংনরি। পোকমিন্নদবা মচিন-মনাও নুংশিনদবা, নিংথৌ ফমতমক মীকানরকপদগী য়েক্লবনা খুদুম চনখিবা লমদমসিগী থৌদোক ৱাথোকশিংগী ৱারী ফোং ফোং শারি। ঐখোয় কাওবা চুমদে মখোয়গী মতৌ তম্বদি চুমলোই। অরেপ্পা মরূপ থমদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনরগা নুংশিননা চৎমিন্নরগদি কয়াদা ফজগবা লমদমনো ? হৌজিক্তি নুংঙাইরে, অৱাংদা সেকমাইদগী হেনবা য়াদ্রি, মখাদা পলেল লান্থোকপা য়াদ্রি, মোইরাংদগী হেন্না তম্পাক্কী মীওই মৈতৈশিংনা হান্নগুম্না নীংতম্না চৎচবা ওইথোক্কদবা মান্দে । লাইরবসু শেন পায়বসু এরোপ্লেন নত্তনা চীংলোন লানবা ঙল্লরোই । সিবু হৌনরিব্রা ? হৌজিক্কী ওইনদি অশেংবা মরূপসি এরোপ্লেন্না ওইবা তারি । এরোপ্লেন !! ●

ৱারী ককনাউ

# মতম কুইরবগী তুংদা-১৬

নুমিৎ হায়সিদি নোং অমুক ঙানগনি, নুমিৎ অমুক তাগনি, ঙসি নিংথৌকারম্বদুনা হয়েং লৈবাক হেক্তা পোল্লকই, মথং-মথং লাকখি, য়ূমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই। ইরাই নুমিৎনি থাজমানবীনা গুৱাহাটিগী টিকেট নুংথিল পুং ২দা পাইগদবা অনী ককখিবদো। টিকেট অমদি নহান্না ইবোতোম্বদা পীখ্রবনি। এয়রপোর্টতা বোর্দিং পাস পায়রগা মনুংদা উননবা, মপান্দা অমুক টিকেটকদু হংদোক-হংজিন তৌনদনবা হায়দুনা। ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তগী হৌরে অনীমক্লা ঙন্তানা ইরু-মায়থজদনা ৱাখল শাগৎনরিবা। থাজমানবীদি মাগী নুপাগা কৌনদে, ফনা কুইরে। মাগী নুপানবুদি কৌননীংবগী মতৌ য়াম তোয়না উৎলি। অদুবু মানা থৈ-থৈদুনা কৌনদে। ইঙ্গিৎ ঈরাংফাও মৱা লৌদে হায়বৈ টাইপতা লৈখ্রে। মাগী নুপাগী মথক্তা মোরেল্লি অমুক্তং লমন খুমগে হায়না চপ য়ুংনা খনখ্রে। অদুবু ইমুং মনুংগী মীশিংদা মনে অমা লায়েংবদুগী চৎকনি হায়বসি ইফোং ফোংনা হায়। অদুনা দা মোহেনেনসু মাগী নুপী গুৱাহাটিদা চৎকদৌরি হায়সি খঙই। ফিরোলগা লোইশিন খোমজিন তৌদুনা স্বিটকেসতা হাপ্লিবী থাজমানবীগী মনাক্তা চঙলক্লগা হংলি।

"কয়াম কুইনা লৈরক্কদৌরিনো?"

"করিগীনো?"

"সুম হংবনি"

"লৈনীংবা নুমিৎফাও লৈনি"

"হল্লকপগী টিকেট কল্লব্রা"

"কক্তে ককওই, খুদোংচাবা লৈরদি অদুম লৈখ্রনি"

"শেলদি কয়াম য়াওরে"

"য়াওদ্রগা ইশা য়োল্লম্মগা লোইরে"

ৱাদু অশেংবা নৎত্রসু দা মোহেননা তাবদা পেঞ্জদে। শ্বাইবু লাউই। মানা খরা লাল্লুবদুদা শাওরিবনি হায়সি খঙদনা মানা থেমজিনবোই করিবোই মখা তারকই,

"অনাবগীনে কৈনে, সে লাখ অমসি পায়খো, অতৈ মথৌ তারসু হায়রকউ। সে .... (লৌদ্রবদুদা) ফমুংদা থনমগে"। লুপা চামঙা চৎপী নোট মপুন অনী ফমুং মথক্তা থনম্মী। অদুগা কাদুদগী মপান থোকখি। থাজমানবী থনম্মীবা শেলদুদা য়েংই। দা মোহেনদু অমুক খজিক হাইজিল্লক্লগা, "হোরেন এয়রপোর্টতা থিনবা নংনবা লাক্তে, ঐ মী অমত্তা উনরুগে" থাজমানবী ৱা অমত্তা হায়দনা লৈহৌই। মপূক্লিংদদি শীংনরগে খল্লি - নঙখক্তনা ঙম্বা নত্তে, ঐসু নুপীনি, ঙম্মী হায়দু উৎকদৌরিবনি।

অসোমদনা কমদৌরি, ইবোতোম্বদু মচানুপা কৌশিল্লগা হায়।

"ননাও ঐ অরাপ্পা মফম অমদা ঐগী ইমান্নবা অমা লৈ, মখোয়দা চৎকনি, নুমিৎ খরা লৈরক্কনি। নঙ লাইরিক ফজনা ঔরাইরম্মু। লম হেন্দনা ঙাওশিন্নবা য়ারোইকো" মচাদবুদি হায়, অদুবু মানা চৎকদৌরিদু মমান্নবগীদা নত্তে হায়বা মরাল অমদি মশানা য়াজরি। ৱাদু মাগী নুপী রোবিতানা তাই। চঙশিল্লক্লগা হংই।

"করি লমনো?"

"ৱাসে খরা খরা ঙাঙনবা ফৈ খল্লি, কৈগীনো হন্দক মরক তৌবিরিসিবো, ৱা লান ঙাঙনবসু খুমদে, নশাগা নানখৎলক্লিবা। মহৌশাগা মান্নদে, কৈনোম ইতৌ তৌরিসিবো কৈদৌরগে?"

"ঐনা য়ু থক্তবসি নঙোন্দা কৈদৌই, ঐসি ফরকপা য়াদবরা? নঙনা করি তৌবা ঐনা করি য়েংশিল্লি। ঐনা তৌবদা করিগী নঙনা থিংলিনো। ঐসু হিংনবা চেনবা চোঙবা তৌবা য়াদবরা?"

"অদুগীবু ওইরদি য়াম ফৈ। চৎতৌরিবা লমদু হায়রম্মু। হৌজিক লানগী মতমনি, চীংদদি চৎপা য়ারোই"

"চীংদনি চৎতৌরিসে"

"লান তৌরিসিদি?"

"লানগা মরী লৈনদে, ঐ হিংনবা থবক থিবনি, শিনবা মোংফম থিবা চৎপা নত্তে। ৱা লোইরে"

রোবিতা ৱা মখা তাদ্রে। ইবোতোম্বীদু মপানলোমদা থোকখ্রে। থোঙ ৱাংমা লানখ্রে। শুমাং হেন্দোকখ্রে। থোঙ্গাল্লোমদা থোকখ্রে। রোবিতানা মচানুপাগা লোয়ননা য়েংদুনা লৈহৌই।

ফ্লাইট লাকখ্র, ঙাইহাক্কী মনুংদা বোর্দিং তৌরনি। মী ময়াম অমা ফ্লাইট তোংনবা ঙাইনরি। মরক্তুদা য়াওরি, ইবোতোম্বা অমদি থাজমানবী। থাজমানবীনা সিট অমদা ফম্মীন্নরগা অমুক অমুক য়েংনৈ, ৱারী মচা-মচাসু শানৈ। রোবিতাগী নুপা ইবোতোম্বী মান্দ্রে, থাজমানবীসু দা মোহেনগী নুপীদুগা শাথীনা খেন্নরে। ইনৌ নৌবা লুহোংবা কুইদ্রিবা হনিমুন চৎমিন্নবা পুঙবাদু ঙাইরে। মরাইবক ফবনা খঙনবা মী অমত্তনা মখোয় অনীদা কৌদবসিনা তাকপদি চৎলিবদু কনামত্তনা মখোয় অনীবু খঙদ্রে হায়বসিনি। মসিমদি মখোয়গীসু মরাইবক ফবনি হায়বা তারে। ঙাইহাক্কী মতুংদা তোংগদবা পেসেঞ্জরশিং কৌশিনখ্রে। ইবোতোম্বীসু-থাজমানবীসু মরী-মরী চঙমিন্নদুনা ফ্লাইট মনুং চঙখ্রে। মখোয় অনী ফল্লিবা ফ্লাইট অদু লাউ খোংদুনা য়াঙনা চেল্লম্লগা অতিয়ারোমদা ৱাংনা পাইখৎখ্রে। মখোয় অনীমক গুৱাহাটি তান্না পুবিখ্রে। ●

- নরেন্দ্র নিঙোম্বা

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৪৪৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

থাঙব্রাই অৱাং লমদম লৌতাংখম। তাংখম লিৱা পোক। অৱাং থাঙব্রাই নময়াই চীঙ। তুংওই নাতৈনা লানথোক। চংবী মাকৈরেল কৈখুচাকা তৈ। কইরেল ফৌগৈ ললগৈ থমনা হাপনা থমবা লমদা। য়োইবু অহেনবী ইবেমমা শললাই মঙাদা থোইনা হেনবী হৌন লোনচৎ ঙাকপী। লৈবাক পুবী পুমনা হুপনা। লাইরেল মশাবী মবুংঙো। শেলবী আকলা হুয়েল লালদা পনথেংখিঙৈদা। পোইরৈনা খৈনা থমবা। পুকৈ ললগৈবু। খাবা লৌতাংখুল। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯴꯴꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫꯫)

ꯊꯥꯡꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯑꯋꯥꯡ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯧꯇꯥꯡꯈꯝ꯫꯫ ꯇꯥꯡꯈꯝ ꯂꯤꯋꯥ ꯄꯣꯛ꯫꯫ ꯑꯋꯥꯡ ꯊꯥꯡꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯅꯃꯌꯥꯏ ꯆꯤꯡ꯫꯫ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏ ꯅꯥꯇꯩꯅꯥ ꯂꯥꯟꯊꯣꯛ꯫꯫ ꯆꯪꯕꯤ ꯃꯥꯀꯩꯔꯦꯜ ꯀꯩꯈꯨꯆꯥꯀꯥ ꯇꯩ꯫꯫ ꯀꯏꯔꯦꯜ ꯐꯧꯒꯩ ꯂꯜꯒꯩ ꯊꯝꯅꯥ ꯍꯥꯞꯅꯥ ꯊꯝꯕꯥ ꯂꯝꯗꯥ꯫꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯑꯍꯦꯟꯕꯤ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯁꯂꯂꯥꯏ ꯃꯉꯥꯗꯥ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯦꯟꯕꯤ ꯍꯧꯟ ꯂꯣꯟꯆꯠ ꯉꯥꯛꯄꯤ꯫꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯄꯨꯕꯤ ꯄꯨꯝꯅꯥ ꯍꯨꯞꯅꯥ꯫꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯁꯥꯕꯤ ꯃꯕꯨꯡꯉꯣ꯫꯫ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯑꯥꯀꯂꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯄꯟꯊꯦꯡꯈꯤꯉꯩꯗꯥ꯫꯫ ꯄꯣꯏꯔꯩꯅꯥ ꯈꯩꯅꯥ ꯊꯝꯕꯥ꯫꯫ ꯄꯨꯀꯩ ꯂꯜꯒꯩꯕꯨ꯫꯫ ꯈꯥꯕꯥ ꯂꯧꯇꯥꯡꯈꯨꯜ꯫꯫ ●